হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, মে ০৩, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩৭শুবা মশীং

# য়োৎতি শারিবঁদা য়েহৌগদবনি

## ভেক্সিন অমসুং ওক্সিজেনগী অৱাৎপা লৈহনগনু

নোভেল কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) গী সেকেন্দ ৱেভনা পিল্লবা ষ্টেটসিদা পীরক্লিবা চৈথেংসি খম থেংলে হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। নুংতিগী মীওই ৩০০/৩০০গী মথক্তা পোজিটিভ ওইরকপগী মনুংদা নহান নোংমখক ২৭১দা হন্থরুরে। হন্থরকখ্রিবসি এপ্রিল ৩০দগী খুদক্তা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা কোনবা মফমশিং য়াওনা গ্রেটর ইম্ফালগী মফম পূম্নমক্তা নুমিৎ ৭নিগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্তুনা মসিগী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চথুরকপদগী ওইরগদ্রা হায়দুনা হরাওনখি। লায়না লাইচৎ অসিদগী খজিক্তং শাফরক্লগদ্রা খল্লুই। অদুবু থংনবা মে ১, ২০২১দদি পোজিটিভ ওইবা মীশিংগী মশীং কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা ওইরম্বা চাংদুদা অমুক নকশিল্লকখি। মীওই ৩১৯ পোজিটিভ ওইরকখি। অদুগা লায়না অসিনা মরম ওইরদুনা শিহনবা মীগী মশীংদনা হন্থবা লৈখিদে। হান্নগী চাংদা মীওই মঙা অদুম্মক শিহনখি। অদু ওইরগদি লৈঙাক্লা খজিক্তং ওইরবসু শাফগদ্রা হায়দুনা গ্রেটর ইম্ফাল এরিয়াদা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্লুবা অসিনসু করিমত্তা মতেং ওইদ্রবরা হায়বগী ৱাহং লাকই। কোভিদ-১৯ কন্ট্রোল রুমনা নুংতিগী পীরকখিবা রিপোর্টতা অপূনবা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদগী পোজিটিভ ওইবগী চাং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা মাঙজিল থাদুনা লাকখিবনি। অদুবু নুমিৎ ৭নিগী কন্টেনমেন্ট জোনগী চেকশিন থৌরাংনদি পোজিটিভ ওইহল্লকপগী চাংদা শিংথানবা য়ানা অহোঙবা পুরক্তুনা হন্থহল্লকপা ঙমদ্রি। মসিগী মরম ময়াম লৈরমগনি। দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট হায়জরগসু দিষ্ট্রিক্টসিদা লৈরিবা এসেমব্লি সেগমেন্টশিং অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টতগী হেল্লি। মসি হেনবসিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীশিং য়াম্বা মশানা তাবনি। অদুগা হৌজিক কন্টেনমেন্ট জোন ওইরিবা গ্রেটর ইম্ফালগী শরুক্তা য়াওরিবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শরুক্তদি খরখক্তনি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু মী খ্বাইদগী য়াম্না তিনবা গ্রেটর ইম্ফালগী এরিয়াদা কন্টেনমেন্ট জোনগী অথিংবা থল্লিবা অসিবুদি ওইরক্লিবা লায়না লাইচৎসিগী ফীভমসিদা তঙাইফদনা লৌখৎতবা য়াদ্রবা খোঙথাংনি। অফবা থবকনি, তৌফম থোকই। অদুবু গ্রেটর ইম্ফালবু কন্টেনমেন্ট জোনগী অথিংবা থম্না-থম্না পোজিটিভ ওইবগী মশীং ৩০০গী মথক্তা লৈরক্লিবা অসিনদি লায়নাসিগী মায়োক্তা মাঙজিল থানা হোৎনরক্লিবা লৈঙাক, মসিগী হকশেল লোয়শঙগী থৌমীশিং, ফ্রন্ট লাইন ৱার্করশিং অমসুং কোভিদ ৱারিয়রশিংদা অচৌবা পারা অমা ওইরগনি হায়নীংই। অনৌবা পারাসি নাথৈবা চুল্লোই, মুন্না পারগা চিনফা পুথোক্লগা মসিদগী মথৌ তারকপশিং পন্থদনা থবক ওইনা লৌখৎপা তঙাইফদ্রে হায়নীংই।

অমরোমদা, হৌজিক সেকেন্দ ৱেভ অসি মায়োক্লরকপদগী মশাগী চহী ৪৫ শুরবা অমসুং চহীসিগী মথক্তা লৈরবা মীওইশিংদা হীদাক কাপ্পগী থবকশিং লেপ্তুনা চথুরক্লি। মসিসু তঙাইফদনা লৌখৎতবা য়ারক্ত্রবা চেকশিন থৌরাংনি। অফবা খোঙথাংনি, য়াম্না ফৈ। অদুবু চহী ১৮দগীনা ৪৪ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা মীওইশিংদসু হীদাক কাপথোকপগী থবক মে ১, ২০২১দগী লৈবাক শিনবা থুংনা হৌননবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না মণিপুরগী ওইনসু হৌখ্রে। মসি তৌহৌদ্রগদি পোজিটিভ ওইরবা মীগী মশীং হেঙ্গৎহনবদা মতেং পাংলক্কনি। লায়নাসিনা শিবা মশীং য়ামখৎলক্কনি। চহী ১৮দগী ৪৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিং হীদাক কাপথোক্লবগী ৱাফমসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা এপ্রিল ১৯, ২০২১দা লাউথোকখিবনি। হৌজিক চথুরক্লিবা চহী ৪৫ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবশিংগী ভেক্সিনেসনগী থবকসি হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্নবগী পান্দমদা লৌখৎলকপা খোঙথাংনি। অদুবু মে ১, ২০২১গী মমাঙ নুমিৎ ১১নি ৱাৎলিঙৈদগী মাঙজৌননা লাউথোকখ্রবনিনা থবক অসি হৌদোকপা ঙমখিবসিমক অফবা খোঙথাংনি। অতোপ্পা ষ্টেট খরদসু লৈবাক পূম্বগী অনৌবা থৌরাংসি থবক্তা ওন্থোকপা হৌনবা য়াওরম্বা য়াই। অদুবু লায়না লাইচৎসিগী মতাংদদি লৌতানফম থোক্তে। হৌবা অমসুং হৌদবা ষ্টেটশিং শুপচিন্না য়েংলগা মণিপুরগীদি হীদাকসি কাপ্পা য়ারে হায়রবা মীওই কাঙলূপশিং অসিদি শিৎ-নান্না প্রপ-প্রপ কাপথোকহৌগদবনি। মসিনা লৈঙাক্কীদি পুংফমসিগী তৌফম থোকপা থৌদাং ওইগদবনি। য়োৎতি শারিবঁদা ওইহন্নীংবা মওংদা ওইহনবা ঙম্ননবা য়েহৌগদবনি। হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদগী হেন্না মতম চাবা অতোপ্পা তাঞ্জা অমমুক লাকখিনি হায়দুনা ঙাইরগা লৈথোকফম থোক্তে। পোইনুদা মমা শিরবা ফাওবদা ফক্লোংনা কুপশিল্লগা থম্মী হায়বা মতমদু লায়না-লাইচৎ অসিগীদি হৌজিকনি। অদুগা চহী ১৮দগী ৪৪ ফাওবগী চহী কাঙলূপকী মীওইশিংদা কাপকদবা ভেক্সিনশিং অসি হীদাকসি কাপকদবা হোস্পিটালশিংনা মেন্যুফেকচররশিংদগী লৈজগদবনি হায়বসিদি থবক্তা ওন্থোরকপদা খুরৌ থাংলক্কনি খল্লি। রিমস অমদি জেনিমসপুদি হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্ট্রি অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবনিনা শাফরে। হীদাকসি কাপথোকপগী অয়াবা পীরবা লন্নাই হোস্পিটাল অমসুং ক্লিনিকশিংনা মেন্যুফেকচররশিংদগী হীদাকসি লৈনরক্ত্রবদি মদুগী থৌদাং কনানা লৌগনি। মখোয়দা হীদাকসি শোয়দনা লৈরগা মীশিং অশুক্তা শোয়দনা কাপকদবনি হায়বগী কম্পলসন থম্ব্রা? ফীভমসিবু য়াওশঙ মতুংদা অবের থুংলৈ হায়বদুগী থৌদৌ থোকহনবা য়ারিবা ফীভমলা? লৈঙাক্লা থৌদাং পূম্নমক লৌরগা কাপথোকফম থোক্লিবা হীদাকশিং পন্থদনা মীয়ামসু কাপথোকহল্লু। মথৌ তাবা ওক্সিজেনসু মরাং কায়না থম্মু। নাদ্রিঙৈদা নারক্তনবা হোৎনবা ৱাৎহৌরগা, ওক্সিজেন পীবা ঙমহৌদ্রগা শিরগা মঙফমদা লৈ কৎপনদি লৈখিদ্রবা থৱায়শিংদুনা লাইরমলেন্দা পেনবিগদবা মান্দে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৭

১) "মণিপুরী লোকসাহিত্য" হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

২) "পুনুং ঈশম ফোয়না/চামলৌ লাচেন্নরুসি হায়রবদা/হাইনু তেরা লৌথিবী/শাইগং পোলিবী য়েন্নখাপাউতাবীনা/খোয়নৌ ইতা ও/খোইনাইওন্বা চনু ও/থোংনাং ময়াং চীং,/ময়াং কপনীং চীং,/লিন্দু য়াঙতেক চীং,/কৈরাউ খাদা পানবা/চামলৌ লাবু কদৌনশিগে?" শৈরেং মতেক অসি করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৩) "নোংখোঙ তম্না" হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৪) "হল্লকখিগনি অমুক তোর্ব্বানসিদা" হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করিদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৫) "ইমানা শিরমদাইদা/শিন্নরম্বা বোম অমা/শেন্নরি ঐনা কন্না/কনা খঙদনবা,/কনা উদনবা।" শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## মোরোক থাবা অমদি মোরোক পাম্বীদা তাবা লায়না, তীলনা

ডো. এম থোইথোই সিংহ



মোরোক্তা তাবা লায়না কয়া ঙাকথোক্লবগীদমক পাম্বীশিংনা নৌরিবঁ অমসুং মরূ ওইনা লৈরিবঁদগী চেকশিলহৌবা চঙই। হুন্নবা মরূ লৌগদৌরিবা মোরোক্তা দাগ লৈতবা মোরোক অমসুং মশা ফরিবা পাম্বীদগী লৌগনি। কৈথেলদা পুথোক্লবা, অফবা মখৈ খন্দোকখ্রবা মতুং লেমহৌবা অপৎপা উমোরোকশিংদগী মরূ লৌরগা মরু হুন্নবসু কোঙ্গাইনি। মসিমক্লা মরূশিংদুদগী হৌরকপা মোরোক পাম্বীশিংদা খুইথবী, লেপকং কংবী অমসুং মোরোক পৎপী লায়না কয়া অমা য়াম্না তোয়না থেংনরি। মোরোক্কী ফংফম থোকপা পোখোক য়ৌনা ফংনদে। মোরোক হায়বসি নুমিৎ খুদিংগী চংদ্রবা য়াদ্রবা এঙ্গাংগী মচল অমনি। মপুং ফাবা পোখোক পুথোক্লবগীদমক য়াম্না চেকশিনবা চঙই।

**পাম্বীগী থাপ্নবা :** ঙন্না মোরোক পুথোক্লবগীদমক মোরোক পাম্বীশিং লীংথোক্লরে। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লৌফম নৎত্রগা ইস্কোলশিংদা থানরিবা মোরোক খুথাসি অয়াম্বনা কুংগল্লি। ফুট অমা ফানা থাপ্নগন্দে। মসিগী মথক্তা কাঞ্জুল অমদা পাম্বী ২-৩ ফাওবা থাজিল্লি। কাঞ্জুল অমদা পাম্বী মশীং হন্থনা থারবদা অহুমদগীদি তানদ্রে। থৌওংশিং অসিনা মরম ওইরগা চারাশিং খূৎলোনবা তপ্পা, কুংনা হৌরিবা মোরোক পাম্বীশিংগী মপাল থেংনা শাবা, নুমিৎকী মঙাল ফংবা ৱারবা পাম্বীশিং তোলহাইনবা অমসুং মপাল কেনবা তোয়না থেংনৈ। মসিগী মথক্তা মোরোক লেপকং কংবী, মোরোক পুম্বী লায়না তাগল্লি। খুদোংচাদবশিং অসি খরদং ওইরবসু হন্থহন্নবা ফৈদোম ৱাংনা চিংখৎপা অমসুং খরা থাপ্পনা থাবা কান্নগনি। পাম্বী অমমমতা ওইনা থাগনি। পাম্বীগা পাম্বীগা ফুট অমা মখায় অমসুং পরেংগা পরেংগা ফুট অনী থাপ্পনা থাগনি মোরোক মখল খেন্নবগী মতুং ইন্না থাপ্পবদা খজিক খেন্নবা য়াই। ঙল্লিঙৈ মতমদা য়াম্না লন্না উরবসু থা অমা মখায় শুবা মতমদা য়াম্না মওং চুম্না উগনি।

**হারগী চাং :** মোরোক পাম্বীনা মখল খুদিংগী লৈবাক লৈহাওদা হৌবা ঙল্লবসু ফোলি তাবা মফম্না খ্বাইদগী হেন্না পক্লে। শঙম অমা চাউবা মোরোক থাফম অমদা ষণথী-ষণয়ুংগী হার নৎত্রগা কম্পোষ্ট ক্বিন্টল ৬০ মুক হাপ্পা ফৈ। শঙম অমা চাউবা লৌফমগীদমক য়ুরিয়া কিলো ৮০, এস এস পি কিলোগ্রাম ১২৫ নৎত্রগা ডি এ পি কিলোগ্রাম ৪৫ অমসুং পোটাস কিলোগ্রাম ৩২ চংগনি। দি এ পি ওইনা শীজিন্নগদবা ওইরগদি য়ুরিয়া কিলো ৭-৮ মুক হন্থবা য়াই। ফোসফোরস অমসুং পোটাসকী অপূনবা শরুক্কা য়ুরিয়াগী শরুক অহুম থোকপগী শরুক অমগা মোরোক লিংলমদাইদা হাপহৌগনি অমসুং লেমহৌরিবা য়ুরিয়াগী শরুক অহুম থোকপগী অনীদু শরুক অনী থোক্তোক্লগা মোরোক লিংলবা মতুং চয়োল ৫-৬ অমসুং চয়োল ৮-১০শুবা মতমদা হাপ্পবা থমগনি।

**চানবা অঙৈং-অশা :** কা হেন্না ঙন্না মোরোক পুথোক্লবা হোৎনবদা মপাল শাবা মতমগা নুমিদাংগী মতমগা সেলসিয়স দিগ্রি ১০গী মখাদা লৈরবদি মহৈ পানবা ঙমদে। মরম অসিনা কা হেন্না ঙন্না থারুবা মোরোক পাম্বীশিং মপাল শারবসু হৌজিক মহৈ য়ানবা ঙমদবা তোয়না থেংনরি। সেলসিয়স দিগ্রী ২৩.৫দগী হেনখ্রবসু মহৈ য়ানবদা অকায়বা পী। অদুমকপু নুংথিলগী মতমদা দিগ্রী সেলসিয়স ২৪ লৈবসি মোরোক পানখৎলকপা মতমগী খ্বাইদগী ফবা অঙৈং-অশানি।

**ঈশিং চনবা :** মোরোক ঈশিং তোয়না চাইগনি নৎত্রগা চনগনি। মসি লৈবাক লৈশা অমসুং অঙৈং-অশাগী মখাসু পোল্লি। অদুম ওইনমক নোংজু থাদা অহেনবা ঈশিং চিথখিবা য়াবা মওংদা নীংথিনা শেম্বীগনি।

**পুকশ্রিদগী ঙাকথোকপা :** করিগুম্বা মোরোক থাফমদু পুকশ্রিনচিংবা পাম্বী মখোয় ককপীনচিংবা লৈনুংগী তীল লৈবা মফম ওইরবদি ফৈদোম চিংখৎত্রিঙৈদা অরোইবা লৌওনগী মাঙওইননা Virtako কিলো অমমখায় নৎত্রগা Fertera কিলো অনী শঙম অমা চাউবা লৌফমদা হাপহৌগনি।

মোরোক পাম্বীশিংগী মরক্তা করিগুম্বা পাম্বী অমা অনী শিখিবা নৎত্রগা মখোঙ ককখিবা য়াওরবসু অনৌবা চারাশিং শিনজিনগনি। থৌরম অসিমদি নুংথিলগী মতমদতা পাঙথোক্কনি।

**তোয়না থেংনবা সমস্যা খরা : ১) সন স্কাল্ড :** অকনবা নুংশানা মোরোক্তা (মহৈ) য়ৈবদা মোরোক্কী মচু তাইথবা, মফমদুমক কুরু তাবা, মতুং তারকপদা মফমদুমক চে মাল্লকপা থেংনৈ। লায়ওং অসি ঙায়োক পুখ্রিশিংগী পল্লি অমসুং নুংশা মঙাল কা হেন্না ফংবা চীংমায়দা থাবা মোরোকশিংদা থেংনগল্লি।

অসিগুম্বা মফমদদি মোরোক কুংলপ থাগনি নৎত্রগা মনা কুংনা পানবা মোরোক মখলশিং থাবা য়াই। মনা য়াম্না কেলহনবা লায়না তীলনাশিং ঙাকথোক্কনি।

**২) মপাল অমসুং মহৈ কেনবা :** অশাবগী চাং ৱাংবা অমসুং নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং নেম্বা মতমদা মপাল অমসুং মহৈ কেনগল্লি। শম্না হায়রবদা পাম্বীদগী ঈশিং ঈনিল হেন্না থাদোরকপনা (ত্রান্সপিরেসন) মপাল অমসুং মহৈগী মখোক শোন্থদুনা কেনগল্লি।

**৩) মনা কুরু তাবী :** মনা মহি চূপ্পী তীল মকুপশিংনা থোকহনবা তীলনানি। তীলনা অসিদগী ঙাকথোক্লবা মোরোক থাফমগী অকোয়বদু শম্বল খাবগুম চুজাক পাম্বীশিংনা কোয়না থাজিল্লবদি মোরোক পাম্বীশিংদা তাগদবা তীলকুপশিং মোরোক্তা লাকপগী মহুত্তা চুজাক পাম্বীদা তাশিন্দুনা লৈখি। তীল অসিনা চুজাক পাম্বীবু মাঙহনবা ঙমদে। চুজাক পাম্বীশিংদগী অহেনবা শেনফম অমগা ফংগনি।

**৪) মোরোক লেপকং :** ফৈদোমশিংদা হৌরিবা মোরোক পাম্বীশিংগী মরক মরক্তা পাম্বীশিংগী মতোনশিং খুইথবা অমসুং পাল্লিবা মোরোক খুইথদুনা কেনবা য়াওরকই। লায়না অসিদগী কন্ননবা Defonoconazole 25% মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা পাম্বীগী মনা মখোঙ পূম্নমক চোৎনবা কাপথোক্কনি। অদুমকপু অমমমতা ওইনা থাবা, ফৈদোম ৱাংনা চিংখৎপা মোরোক থাফমশিংদা হায়রিবা লায়নাসি কয়া তাগন্দে।

কাঞ্জুল অমদা মোরোক পাম্বী য়াম্না থারগা মোরোক য়াম্না পানগনি হায়না খন্নরিবসি লানগনি। কনাগুম্বা মীওইশিংনা পাম্বী খরা শিখ্রবসু পাম্বী খরদি লৈহৌগনি, কাঞ্জুল মুৎলোই হায়না খনবগী ৱাখল্লোন অমা লৈনবগুম তৌই। মসিনা অচুম্বমক্লি হায়না লৌবদি চুল্লোই হায়জনীংই।

অসুম্না লান্না থাজিন্দুনা কাঞ্জুল অমদা কান্নদবদা মোরোক পাম্বী হেন্না থাজিন্দুনা চারাশিং মাঙহনবগী মহুত্তা ঐখোয়না কাঙলোন চুম্না মোরোক থাবিদুনা অমদি নিংথিনা য়েংশিনবীদুনা পাম্বীশিং অদুবু শিদনবা হোৎনবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইবতা নত্তনা মোরোক থাবগী কান্নবসু থাবিরিবা মোরোক পাম্বীশিং অদুদগী শোয়দনা ফংবা ঙমগনি হায়বা ৱাফমসি থমজনীংই। ●

# ওর্গানিক ওইবা মওংদা কোলি হৱাই থাদুনা শেন্দোং তানবা য়াগদ্রা?

এস সুমঙ্গল

হৱাইশিংনা মচি ওইবা চিঞ্জাক মচল পীদুনা ঐখোয় মীওইবনা হকচাং ফনা হিংবদা অচৌবা থৌদাং লৌই হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। হৱাইশিংগী মনুংদা কোলি হৱাইসু মরু ওইবা অমনি। কোলি হৱাই মখল কয়ামরুম লৈ। শাহৌদা য়েংলগনা মরী চৎপী অমদি মরী চৎতবী; অনীসিদা অমুক্কসু মসা-মরেং পুঙবা-পুঙদবা; মশিং য়াওবা-য়াওদবা কয়া অমনি। মশিং য়াওদবশিং অয়াম্বদি তেক্লা থরাক ওইনা অয়াম্বনা চানৈ। অদুবু মশিং য়াওবা মখলশিংসু নৌরিবঁ মতমদদি মশিংশিং কনশিন্দ্রিবা মরম্না থরাক ওইনা অদুমক মখল কয়াগী এঙ্গাং থোংদুনা চানৈ। মশিং য়াওবা কাঙবুনা অয়াম্বা মরূ অরিবা ওইনা চানৈ। মরূ ওইনা লোক্তুনা চানরিবশিং অসিবুনি রাজমা হায়না খঙনরিবসি। রাজমাদা চাংচৎতা য়াওবা চিঞ্জাক্কী মচলশিংদি প্রোটিন ২২%; মহাও (ফেট) ১.৭%; লোয়ননা অকঙবা মরূ গ্রাম ১০০দা কেলসিঅম মিলিগ্রাম ৩৮১; ফোসফোরস মিলিগ্রাম ৪২৫, আইরন মিলিগ্রাম ১২.৪ অমসুং অতেকপা থরাক্তা ভিটামিনশিং মরু ওইনা ভিটামিন বি পনবা য়াই। হৱাই মখলশিং অসি অয়াম্বনা মতম তেল্লি, মেন ওইবা পাম্বীশিংগী মরক্তা থাদুনা লম মাঙদনবা ইন্টর ক্রোপিং তৌবা য়াই। মসিনা অহেনবা শেন্দোং তানবা য়াই।

কোলি হৱাই মখলশিং অসি ওর্গানিক ওইবা মওংদা থাবদা অদুমক নিংথিনা চানবা পাম্বী মখলনি।

**ঈশিং নুংশিৎ :** য়াম্না শাবা অমদি য়াম্না ঈংবা নত্তনা মতম অয়াম্বদা থাবা য়াবা পাম্বীনি। নুমিৎ থোকপা অমদি তাবা মতম শাংবা নৎত্রগা তেনবদা অকায়বা অমত্তা লৈতনা নিংথিনা হোৎনরবদি পোখোক মতিক চানা পীবা ঙম্বা পাম্বীনি।

**লৈবাক লৈহাও :** ঈশিং তুংলোইদবা তুরেল মপানগী ফ্রোং ফ্রোং লাওবা ফোলি তাবা অশিন অয়াক্কী চাংনা ৬-৭ ওইবা লৈবাক লৈহাওদনা য়াম্না হেন্না পকনৈ।

মরী চৎতবা মপান্দগী পুশিল্লকপা মখলশিংদি অর্কা কোমল, স্নেহা, অন্নপুর্না অসিনচিংবা পনবা য়াই। মরী চৎপা মখল খরদি হান্নবা ঐখোয়গী লমদমসিদসু লৈজে। তাঞ্জুল হৱাই হায়না খঙনবা মশিং য়াওদবা য়াম্নসু থরাক চাউনা, শাংনা পানবা অসিসু মীয়াম্না চম্ফুৎ হৱাই হায়না খঙনরিবা কোলি হৱাই মখল অসি য়াম্না ফবা, মীয়াম্নসু য়াম্না পাম্নবা মখলনি। শেন্দাং হৱাই মখল কয়া অমসু অদুমক মণিপুরদা ফংলি। মখোয় খুদিংমক ওর্গানিক ওইনা থাবদা অদুমক পক্লগনি। ওর্গানিক ওইনা য়োল্লগদি শেন্দোংসু য়াম্না ফংগনি।

**অনেম্বা মখল :** শঙমদা কিলো ১২-১৫

**মরী চৎপা মখল :** শঙমদা কিলো ৮-১০

**থাবগী মতম :** ফেব্রুৱারী-মার্চ অমসুং ওগষ্ট-সেপ্টেম্বর

**হার হাপ্পা :** ওর্গানিক ওইনা থাগে হায়রবদি ষন্থি-ষণয়ুংগী হার ফংনবা হোৎনবা তঙাইফদে। শঙমদা ষণ গাড়ী মপোৎ ৪-৫গা লোয়ননা রোক ফোসফেট হায়রিবা হার মখল অসি কিলো ৮০-৯০গা লোয়ননা থাগদবা থাখায় ৱাৎলিঙৈদা নিংথিনা খোইজিনবিহৌগনি। নৎত্রগনা হায়রিবা অনী অসি নিংথিনা য়ানশিন্নরগা কাঞ্জুল কাঞ্জুলদা খুজোক অমমম (গ্রাম ৩০০) হাপ্লগা লৈবাক খরা খোপচিল্লবা মতুংদা মরূ অনী অনী হার খোপচিল্লবা লৈবাক মথক্তা থাবীগনি।

ঈশানা পুথোকচবা ভর্মিকম্পোষ্ট লৈরগদি ষন্থি-ষণয়ুংগী হার তঞ্জাই হন্থহনবা য়াই। ষণ গাড়ী মপোৎ অনীগা ভর্মিকম্পোষ্ট ষণ গাড়ী মপোৎ অমগা রোক ফোসফেট কিলো ৮০-৯০গা য়ান্নরগা হাপ্পা তঙাইফদে। হৌজিক্কী মতমদদি অতোপ্পা ওর্গানিক্কী ওইবা হার মখল কয়া অমসু কৈথেলদা ফংলে। মখোয়শিং অদুমক শীজিন্নবা য়ারে।

ওর্গানিক্কী হারশিং অসি পাক শন্না চাইথোক্লগা হাপ্পদগীদি কাংখুলদা হাপ্পনা ওইজবা য়াম্না হেল্লি। নুংশিৎতা য়াওবা নাইট্রোজেন ফাজিনবা ঙম্বা মহিকশিং ফাজিনবা ঙম্বা হিংকুপশিংগা



লোয়ননা নোদ্যুল (মরাদা মরূম মরূম শৌবা) শেম্বগী থৌওং অসি কোলি হৱাইদদি কয়া থেংনদে। অদুবু ঐখোয়গী লমদমদা ফংজবা মখলদদি খরা অদুমক থেংনৈ। মরম অদুনা নাইট্রোজেনগী হার য়াম্নমক হেন্না চঙদবগী পাউদমসু লৈ।

**ঈশিং চনবা :** অয়াম্বনা নোংগী ঈশিংদা তাংদুনা থাবদা অদুমক য়াবা থেংনৈ। অদুমকপু কা হেন্না নোং চুদ্রবদি হৱাইনা মপান শাবা হৌরকপদা ঈশিং অমুক্তং চনবিবা ঙল্লবদি চাথোক হেন্না ফংনবা মচাক ওইগনি।

মণিপুরগী ওইনা ফৌ লোক্লবা মতুংদা ফেব্রুৱারী থাদা থাবদা মথংগী ফৌ থাবা মতম হেন্দোক্লা নংই। অদুমকপু হৌজিক মে থা হৌরকপা অসিদসু অদুমক থাবা য়াই।

**লায়না তীলনা :** এন্থ্রাকনোজ : ৱাওথাংননা মুরপ তৌবা চাথৎপা মানবা দাগশিং উগনি। মসি থোক্তনবা অফবা মরূ শীজিন্নবা ফৈ। ক্রোপ রোটেসন তৌবা কান্নগনি।

**রাইজোক্তোনিয়া ব্লাইট :** পাম্বীগা তাইনবা মখোঙদা ঙাংলৈনবা মচুগী কুৎশিনবা মফমশিং উবা ফংগনি। মসিগীদমক ত্রাইকোদরমা শীজিন্নবা য়াই।

তীলনাদা ব্লিষ্টর বীতল কৌবা তীল মখল অমনা মপান শাথিনা চাথোকপা থেংনবা য়াই। মসিদি ওগষ্ট থাগী অহানবা থাখায় মতুংদা থাবদা তীল অসি তারোই। করিগুম্বা তারবসু খূৎনা ফাদোকপা নৎত্রগা ব্যুভেরিয়া বাসিয়ানা য়াওবা হীদাক বাবা, দাদা হায়রিবা হীদাকশিং অসিগী অমা হেক্তা ঈশিং লিটর অমদা মিলিলিটর অমা য়াল্লগা নুমিদাংৱাইরম অনীরক হপ্তা কান্নরগা কাপথোকসি।

**মাইট :** হায়রিবা তীল অসিসু য়াম্না শাথীবা মখল অমনি। মসিগীদমক্তি নীম ওইল শীজিন্নবা য়াই। অতোপ্পা হীদাক মখল কয়া অমসু কৈথেলদা ফংলে। অখঙ অহৈ তানদুনা শীজিন্নসি।

**হেকপগী মতম :** ময়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম অমদি মতম চানা লোকপা হায়বসিনি। মসিনা মীনা পাম্বা হেল্লি। থরাকনা মপূং ফারবা, পঙলি লিদ্রিবা মতমদা থরাক্কীদমক ওইনা হেকপীগনি। নুমিৎ হুমনি মরিনি খুদিংগী হেকপা য়াবা থেংনৈ। মরূ চানবা হেকপদি মকুনা খরা কংশিনবা হৌরবা মতমদা হেকপীগনি।

অসুম্না ওর্গানিক ওইবা মওংদা কোলি হৱাই থাদুনা শেন্দোং হেন্না ফংনবা লৈবাক লৈহাও শেমগৎসি, মশা ফবা অচঙবা মীওইশিং শেম্বদা থৌদাং লৌরসি। ●